# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 01-10-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১)　সেক্যুরিতি ফোর্সনা তোঙান তোঙানবা লালহৌলুপশিংগী মীওই ৫ ফারে।

২)　আই.পি.আর দাইরেক্তর ঙাঙোম উতমনা ত্রান্সলেটরশিংদা হান্না বেঙ্গোলি ময়েক্তা লৈরম্বা স্কোলারশিংগী অইবশিং মীতৈ ময়েক্তা ওন্থোকবা আপীল তৌরি।

অমসুং

৩)　বিহার বিধান সভা মীখলগীদমক ইলেক্সন কম্মিসন্না ঙরাং অরোইবা ভোটর লিষ্ট ফোংখ্রে।

------

ডে (এল)ঃ　　আই.পি.আর দাইরেক্তর ঙাঙোম উতমনা ত্রান্সলেটরশিংদা স্কোলারশিংগী হান্না বেঙ্গোলি ময়েক্তা লৈরম্বা অইবশিং অদু তুংগী মীরোলদা নীংথিনা খঙহন্নবগীদমক মীতৈ ময়েক্তা ওন্থোকবা আপীল তৌরি।

সাহিত্য থৌপাং লুপ অমসুং লাইশ্রম সমরেন্দ্র বার্থ সেনতিনারি সেলেব্রেসন কমিতি অনিনা পুন্না শিন্দুনা ঙরাং রাজ্যগী ইনফোর্মেসন অমসুং পাব্লিক রিলেসন্স দাইরেক্তোরেটকী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোকখিবা মালেমগী ত্রান্সলেসনগী নুমিৎ পালন থৌরমদা ৱা ঙাংবদা শ্রী উতমনাা হায়- মালেম পুম্বদা জাৎ কাংলুপনচিংবগী খেন্নবা কয়া লৈরিবা অসি শমহন্নবগীদমক লোল অমদগী লোল অমদা হন্দোকপা হায়বসি য়ামমক তঙাইফদে।

থৌরম অদ্দা শকাইরবা ত্রান্সলেটর শলাম তোম্বদা নোংথোম্বম কুঞ্জমোহন ত্রান্সলেসন এৱার্দ পীদুনা ইকায় খুমখি। লাইশ্রম সমরেন্দ্রনা ইবা ৱা অমত্তা হায়গে তেলঙ্গাগী ইংলিসতা হন্দোকপা লাইরিকসু থৌরমদুদা ফোংবগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা লোলশিংগী পোইটস মিট অমসু পাঙথোকখি।

কম্পিতিসন (এল)ঃ স্টেট ৱাইল্ড লাইফৱিক পালন থৌরমগা মরী লৈননা কাংপোকপী ফোরেষ্ট দিভিজন্না তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থৌরম কয়া শিল্লি। মমাং থাগী ২০ দা কে.টি. হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা এসে চাংদমবা অমদি খুদক্তা লাইয়েকপা চাংদমবগী থৌরম পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা তোঙান তোঙানবা স্কুলশিংগী মহৈরোইশিং শরুক য়াখি। লম্লক্কী শা উচেকশিংনা মায়োকরিবা খুদোংথিবা কয়াগী মতাংদা মীয়ামদা নিংথিনা খঙহন্নবগীদমক মীওইবা অমসুং শা উচেকশিং পুন্না হিংমিন্নবা হায়বা থিমদা থোমাস গ্রাউন্দ, মোটমুং রেঞ্জ ওফিস অমসুং কাংপোকপী ফোরেষ্ট দিভিজন ওফিসতা হোর্দিং কয়াসু থেৎলি। পালন থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা কাংপোকপী জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থা অসিগী অহানবা চয়োল অসিগী বাইক রেল্লি, ফুট রেল্লি, নেচর ৱার্ক অমসুং এৱারনেস প্রোগ্রাম কয়াসু পাঙথোক্কনি।

পুলিস (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী শগোলমাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা খেৱা ফুরজ্ এরিয়াদা ঙরাং থিবা হুম্বগী থবক চত্থবদা মেগজিন য়াওবা সভেন পোইন্ট সিক্স ফাইভ এম.এমগী পিষ্টোল অমা, নোংমৈ মরু অমদি বি.পি প্লেটনচিংবা য়াওনা অতৈ পোৎলম কয়া ফাগৎখি।

অমরোমদা, সেক্যুরিতি ফোর্সনা তোঙান তোঙানবা লালহৌলুপশিংগী মীওই ৫ ফারে।

মণিপুর পুলিসকী চেরোল অমনা হায়- ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী থোংজ্ এরিয়াদগী আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলুপ আর.পি.এফ-পি.এল.এগী মীওই অমা ঙরাং ফারে। ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী হৈঙাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা খাবম লমখায় ক্রোসিংদগী এন.আর.এফ.এমগীনি হায়বা মীওই অমসু ঙরাং ফারে

হায়রি। সেকুয়রিতি ফোর্সনা হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী উরিপোক শোরবোন থিংঙেলদগী কে.সি.পি (সিতি মীতৈ)গী এক্তিভ কাদর অমা ফাখি।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মোংজম খুল চীংখোঙদগী য়ু.পি.পি.কেগী এক্তিভ কাদর অনি অমসু সেকুয়রিতি ফোর্সনা ঙরাং ফারে।

মণিপুর পুলিসনা থৌবাল জিলাগী লিলোং চাউবোক মাইরেল খুল মখা তাথবীদগী হিরোইন পাউদর গ্রাম ৫৫ ঙরাং ফারে। মণিপুর পুলিসনা থৌবাল জিলাগী য়াইরিপোক পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা ফৌদেল ওইল পম্প মনাক্তগী গাড়ি হুরানবনি হায়বা মীওই অমসু ঙরাং ফাখি। মীওই অসিদগী চাকা অনি পানবা গাড়ি মচা অনি, রোয়েল ইনফিল্ড অমা ফংবা ঙমলে।

অমরোমদা, মণিপুরগী দি.জি.পি রাজিভ সিংহনা ঙরাং বিষ্ণুপুর জিলাদা চত্তুনা মফম অদুগী শান্তি রক্সাগী ফিভম হন্না য়েংশিনখ্রে। বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিস হেদক্বাটরতা জিলা অসিগী এস.পি, এদ্দিসনেল এস.পি য়াওনা মকোক থোংবা পুলিস ওফিসারশিংগা লোয়ননা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা শান্তি রক্সাগী ফিভম নিংথিনা ঙাক শেন্নবগী মতাংদা কুপা খন্নখি।

এআর (এল)ঃ ৱার্ল্ড হার্ট ডে পালন থৌরমগা মরী লৈননা অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা উখ্রুল জিলাগী কশোম অমসুং বুনদুংগী খুঙ্গাশিংগীদমক হেলথ এৱারনেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা খুলগী লুচিংবশিং, নুপীগী সোসাইতি মেম্বরশিং অমদি নহারোলশিংনা শরুক য়াখি।

অসাম রাইফলসকী ওফিসিয়েল অমসুং মেদিকেল ওফিসারনা মীয়ামদা হার্টপু ফনা থমবা চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌবা, মচি ওইবা চীঞ্জাক চাবা, য়ু অমদি হিদাক মনা শিজিন্নদবা য়াওনা অতৈ হার্টকী ওইবা লায়নাশিংদগী ঙাকথোকবগী মতাংদা মীয়ামদ্ ভাব তাহনখি।

চুরাচান্দপুর জিলাগী মৌকোট খুলদসু অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা নোংমগী ওইবা লায়েংবগী কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। স্বাস্থ নারি সাসক্ত পরিবার অভিয়ানগী মখাদা পাঙথোকখিবা কেম্প অদুদা তঙাইফদবা মেদিকেল

সার্ভিসশিং পীখি। বিষ্ণুপুর জিলাগী নম্বোল ইশোক চীংদসু অসাম রাইফলসনা মমাং থাগী ২৯ দা সেবা পর্বা অমসুং নেসন ফার্ষ্ট কেম্পেনগী মখাদা উ চারা কয়ামরুম থাখ্রে।

ইসি ঃ বিহার বিধান সভা মীখলগীদমক ইলেক্সন কম্মিসন্না ঙরাং অরোইবা ভোটর লিষ্ট ফোংখ্রে। লিষ্ট অসিদা ভোতর কোতি ৭ লাখ ৪২ রোম য়াওরি। রাজ্য বিধান সভাগী মীখল ইলেক্তোরেল রোল অসিদা য়ুম্ফম ওইরগা পাঙথোক্লগনি। স্পেসিয়েল ইন্তেন্সিভ রিভিজন (এস.আই.আর) কেম্পেনগী মতুংদা ভোতর কোতি ৭ লাখ ২৪ য়াওবা লিষ্ট ওগষ্ট ১ দা কম্মিসন্না পুথোকখিবনি। দ্রাফট ভোতর লিষ্ট অদুগী মথক্তা নৌনা ভোৎ থাদবা য়ারবা ভোতর লাখ ২১ লিশিং ৫৩ অমুক হাপচিনখি। অদুগা ভোতর লাখ ৩ লিশিং ৬৬ লোমগী মমিংনা লৌথোকখি।

চহি অসিগী জন্ থা হৌগৎলকপদা বিহারগী অপুনবা ভোতর অসি কোতি ৭ লাখ ৮৯ ওইখি। অদুবু স্পেসিয়েল রিভিজন চখ্থরবা তুংদা ভোতর লাখ ৬৫ রোমগী মমিং ককথৎখিবনি।

রেলৱেজ ঃ ইন্দিয়ান রেলৱেজনা মসিগী ইহান হানবা এসুয়রদ ত্রান্সিত টাইম কন্টেন্নর ত্রেন সার্ভিস পাইলোত বেসিসতা ঙসি কোলকাতা অমসুং দিল্লিগী মরক্তা চেলহল্লগনি। ত্রেন সার্ভিস অসি দিল্লিগী আই.সি.দি তুগলকবাদতগী সি.টি.সি.এস কোলকাতা ফাওবা চেনগনি। মসিনা কন্টেন্নর কোরপোরেসন ওফ ইন্দিয়া লিমিতেদ (কোনকোর)গী আগ্রা অমসুং কানপুর তরমিনেলশিং ফাওদুনা চৎকনি।

ইন্দিয়ান রেলৱেজগী চেরোল অমনা হায়- রেলগাড়ি অসি চয়োল অমদা অনিরক চেনগনি।

নোং ঃ মেট দিপার্টমেন্টনা হায়রি- অৱাং নোংপোক রাজ্যশিং য়াওনা শৌরাষ্ট্রা, কটস, কোনকান, গোৱা, ময়াই থংবা মহারাষ্ট্র অমসুং মরাঠাৱারাদা

হয়েং ফাওবদা অকনবা নোং চুরবা য়াই। বিহার, উত্তর প্রদেশ, ঝারখন্দ, তেলঙ্গনা, সিক্কিম অমদি নোংচুপ বঙ্গলানচিংবা মফমশিংদা ঙসি অখাক অরাউ য়াওনা চুরবা য়াই হায়রি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

লময়ানবা ইরাবতকী ১২৯ লক শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখিবগী পাউনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংনরি।

সনালৈবাক্তা- ইরাবতকী ১২৯ শুবা কুমওন থৌরম পাক শন্না পাঙথোকখ্রে হায়বা কেপসুল অসিগী মখাদা জন-নেতা ইরাবত মীৎয়েং শানবা সোসিয়েল রিফোর্মর অমদি ফ্রিদম ফাইটরনি হায়না রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা ফোংদোকখিবা ৱাফম বেন্নর হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

পাউ অসি পোকফমদনা- গভর্নরনা লুচিংদুনা জন-নেতা ইরাবতকী মফমদা ইকায় খুমবা উৎখ্রে। লময়ানবা ইরাবতকী ৱাখল্লোন থবক্তা ওন্থোক্তুনা অপুনবা মণিপুর অমা শাগৎমিন্নশি হায়না এম.পি. বিমোল অকোইজমনা ফোংদোকখিবা ৱাফম, ইলেক্তেদ, সি.এস.ওগী লুচিংবশিংনা ইরাবতনা তৌরম্বশিং কুপা নৈনদুনা খোঙ থাংশি হায়না হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

প্রাইভেট হোস্পিতালশিংদা হান্না অনাবা য়েংলম্বা স্পেসিয়েলিষ্ট ডোক্তরশিং লাকখিদ্রে হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

হুইয়েন লানপাউদা- পাউ ফাওনহৌদবদগী স্পেসিয়েল সি.দি.ওনি হায়বা পার্সোনেল খরদা ফুরকখ্রে, গাড়ি অনি অকায় অতোই থোকাহনখ্রে হায়বা পাউ অমা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

নহারোলগী থৌদাংদা- ইরাবতকী ৱাখল্লোনদা য়ুম্ফম ওইরগা ঐখোয়গী অশোইবা চুমদোকবগী তাঞ্জা অমা লাক্লে হায়না ইরাবত সেলেব্রেসন কমিতিগী চেয়ারমেন ডাঃ মোইরাংথেম নরানা ফোংদোকখিবা ৱাফম অমা অনিসুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদা- মিজোশিং পুনশিন্নবা চুরাচান্দপুরদা এম.এন.এফ-আই.এম শেন্বা এম.এন.এফনা মশক খঙদে হায়রক্লে হায়বা পাউ মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদা লময়ানবা ইরাবতকী মফমদা মণিপুর মীয়ামা ইকায় খুমবা উৎখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মোর্নিং বেলদা- মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম য়ামা মরুওই হায়না হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না ফোংদোকখিবা ৱাফম অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

পিপলস ক্রোনিকলদা- নোর্থ ইষ্টতা হিংশাগী থৌদোক থোকপদা মণিপুরনা মকোক্তা লৈরি হায়বা পাউ অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

গানফিউ মেলদা- ইম্ফালদা লৈবা লনাই হোস্পিতালশিং স্পেসিয়েলিষ্ট ডোক্তর লৈতবদগী খুদোংচাদবা মায়োকরে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

শিরু লিলি কনশি হায়বা কেম্পেন হৌদোকখ্রে হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

------